## এনএসসিএন (কে) গী কাডর মরি ফারে

শিল্লোং, মে ১৫

মেঘালয়গী ৱেষ্ট জৈন্টিয়া হীলস ডিষ্ট্রিক্টতগী সেল্ফ–ষ্টাইল্ড রেভিন্যু সেক্রেটরি য়াওনা এনএসসিএন (কে) গী কাডর মরি ফারে হায়না সেনিয়র পুলিস ওফিসিয়েল অমনা ঙসি ফোঙদোকখ্রে।

ৱেষ্ট জেন্টিয়া হীলসকি সুপরিন্টেণ্ডেন্ট ওফ পুলিস বিবেক সায়ইমনা ফোঙদোকপা মতুং ইন্না হৌখিবা নোংমাইজিংগী নুমিদাংৱাইরম ডিষ্ট্রিক্ট–সিগী খলিটিরশি খুন্দগী এনএসসিএন (কে) গী 'রেভিন্যু সেক্রেটরি' গাইসিং মরিংমৈ ফাখি।

গাইসিং ফাবদগী লূপ অসিগী অতোপ্পা মেম্বর অনী খুন্দুদা লৈবা মখোয়গী লোৎফমদগী মখা তানা ফাখি হায়না এসপিনা ফোঙদোক্লি।

লূপসিগী মরিশুবা মেম্বর অদুনা নুমিৎতুগী নুমিদাংদা শিল্লোংদা লৈবা হোটেস অমদগী ফাবনি হায়না ফোঙদোক্লদুনা মহাক্না হায়খি, মখোয়গী লোৎফমশিংদুদগী শেন ওইনা লুপা লাক্ষ অনী, সিম কার্ডশিং, মোবাইল ফোনশিং, এনএসসিএন (কে) গী ডিমাণ্ড লেট্টরশিং অমসুং অতৈ চে–চাংশিংসু ফংখি। –পিটিআই

## মিলিটেন্টকি এট্টেক্তা পুলিসকি মীওই শিরে

শ্রীনগর, মে ১৫

জম্মু এণ্ড কাশ্মীরগী আনন্টনাগ ডিষ্ট্রিক্টকি বিজবেহরা ঙসি মিলিটেন্টশিংনা চথরকখিবা এট্টেক অমদা পুলিসকি মীওই অমা শিখ্রে হায়না পুলিসনা ফোঙদোকখ্রে।

পুলিসকি ৱাঙাঙলোয় অমনা ফোঙদোকপা মতুং ইন্না ঙসি অয়ুক বিজবেহরা টাউন্দা মশক খঙদবা মিলিটেন্টশিংনা পুলিসকি গাড়ী অমদা নোংমৈ কাপশিল্লকখি।

নোংমৈ কাপশিল্লকপদুদা বিলাল অহমদ কৌবা পুলিসকি মীওই অমা শোকখি হায়না ফোঙদোক্লদুনা ৱাঙাঙলোয়দুনা হায়খি, অহমদ খুদক্তা মনাক নকপা হোস্পিটাল অমদা পুখৎখি, অদুবু লায়কন্নবা ঙমদনা শিখি।

নোংমৈ কাপশিল্লকপদুদগী পুলিসকি মীওইশিংনসু হন্দুনা কাপখি, অদুবু মিলিটেন্টশিংদু নাম্থোকখিবগা লোয়ননা মখোয়গী খোঙ্গুল লীনবা সেক্যুরিটি ফোর্সশিংনা পাক–শন্না থি–হুন্বগী থবক চথরি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোক্লি। –পিটিআই

## য়ুপি সিএমগী হেলিকোপ্টর লৌবুক্তা তাশিনখ্রে

কাসগঞ্জ, মে ১৫

অচৌবা সেক্যুরিটিগী অশোয়বা অমদা উত্তর প্রদেশকি কাসগঞ্জ ডিষ্ট্রিক্টতা ঙসি চীফ মিনিষ্টর যোগী অদিত্যনাথ তোংখিবা হেলিকোপ্টর স্কুল গ্রাউণ্ড অমদা শেম্বা হেলিপেড অমদা তাবগী মহুৎ লৌবুক অমদা তাশিনখ্রে।

অদুবু থৌদোক্তুদা চীফ মিনিষ্টর অশোয় অঙাম থোকখিদে হায়না প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি (হোম) অর্বিন্দ কুমারনা ফোঙদোক্লি।

ওফিসিয়েলশিংগী মতুং ইন্না চীফ মিনিষ্টরগী হেলিকোপ্টরদু কাসগঞ্জ টাউন্দা লৈবা কষ্টুরবা গান্ধি বিদ্যালয়গী গ্রাউণ্ডদা শেম্বা হেলিপেড অমদা তাগদবনি, অদুবু প্রোব্লেম খরদগী কিলোমিটর অমরোম লাপ্না লৈবা লৌবুক অমদা তাশিনখিবনি।

ডিষ্ট্রিক্টতুদা পায়খৎলিবা চাওখৎ থৌরাংগী থবক অমসুং লো এণ্ড ওর্ডরগী ফীবম য়েংশিনবগী মথক্তা হন্দক মীওই অহুম হাৎলমখিবা ইমুং অমগা উননবগীদমক অদিত্যনাথ ঙসি অয়ুক কাসগঞ্জদা চৎখিবনি হায়নসু ওফিসিয়েলশিংদুনা ফোঙদোক্লি। –পিটিআই

## য়ুপিগী এক্সিডেন্টতা ৪ শিরে, ১০ শোক্লে

বন্দা, মে ১৫

উত্তর প্রদেশকি বন্দা ডিষ্ট্রিক্টতা ট্রক অমনা পেসেঞ্জর পুবা গাড়ী অমা থোমগায়বদগী নুপীমচা অমা য়াওনা মীওই মরি শিখিবগা লোয়ননা অতোপ্পা তরানা অরুবা ফীবমদা শোক্লে হায়না পুলিস ওফিসিয়েল অমনা ঙসি ফোঙদোকখ্রে।

বন্দাগী এডিসনেল সুপরিন্টেণ্ডেন্ট ওফ পুলিস লাল ভারত কুমার পালনা ফোঙদোকপা মতুং ইন্না থৌদোক অদু ঙরাং নুমিদাং ডিষ্ট্রিক্টসিগী বন্দা–টনরা রোডতা থোকখিবনি।

মহাক্না হায়খি, ট্রক অমনা থোমগায়বদুদা পেসেঞ্জর পুবা গাড়ীদুদা তোংলকখিবা মীওই অহুম খুদক্তা শিবগা লোয়ননা অতোপ্পা ১১ না অরুবা ফীবমদা শোকপখি।

অশোকপশিংদু খুদক্তা মনাক নকপা হোস্পিটাল অমদা পুখৎখি, অদুবু নুপীমচা অমসু লায়কন্নবা ঙমদনা শিখি হায়না ফোঙদোক্লদুনা এএসপিনা হায়খি, ট্রক অদুগী ড্রাইভর ফাবগা লোয়ননা মহাক্কি মথক্তা কেস অমা লৌখৎলে। –পিটিআই

## সিমিগী মেম্বর ১৮ চহী তরেৎকি ফাদোক পীখ্রে

কোচি, মে ১৫



হৌখিবা ২০০৭ তা কেরলাদা মখোয়গী মেম্বরশিংগীদমক খুৎলায়গী ট্রেনিং কেম্প অমা শীন–খিবগা মরী লৈনবা কেসতা স্পিসিয়েল এনআইএ কোর্ট অমনা সফদর নগোরি য়াওনা লোনা অথিংবা থমখ্রবা সিমিগী মেম্বর ১৮ চহী তরেৎকি ফাদোক পীখ্রে।

লূপসিগী ফাউণ্ডর মেম্বর ওই–রিবা মধ্য প্রদেশতগী সফদর নগোরি, ৪৮ গী মথক্তা ঙসি স্পিসিয়েল এনআইএ কোর্টকি জজ কৌসর ইদাপাগথনা ঙসি চহী তরেৎকি ফাদোক পীখ্রবা অতৈশিং অদুদি কেরলাদগী সাদুলি, পিএ শিবিলি, মোহম্মদ অন্সর অমসুং অব্দুল সতর, কর্ণাটকাদগী হফিজ হুসেন, মোহম্মদ সামি, নদিম সয়িদ, ডাক্টর ঐচএ অসাদুল্লা, শকিল অহমদ অমসুং মিরজা অহমদ বৈগ, মধ্য প্রদেশতগী অমিল পরৱাজ অমসুং কমরউদ্দিন নগোরি, উত্তর প্রদেশতগী মুফতি অবুল বশর, ঝরখণ্ডদগী দেনিশ অমসুং মঞ্জর ইমাম, মহারাষ্ট্রদগী মোহম্মদ অবু ফাইসল খান অমদি গুজরাটতগী অলম জেব অফ্রিদিনি।

কোর্টনা মখোয় ১৮ দুগী মনুংদা ১৩ বু লুপা লাক্ষ অমমমগী ফাইন তৌবগা লোয়ননা লেমহৌরিবা মঙাদুনা লুপা লীশিং ৫০–৫০ গী ফাইন তৌখি।

মখোয় ১৮ বু কোর্টনা ঙরাং অনলোফুল এক্টিবিটিজ প্রিবেন্সন এক্ট, এক্সপ্লোসিব সবষ্টেন্সেস এক্ট অমসুং ইণ্ডিয়ন পেনাল কোডকি তোঙান তোঙানবা সেক্সনশিংগী মখাদা মরাল লৈরে হায়না লাউ–থোকখিবনি। অদুবু অতোপ্পা ১৭ তি কেসসিদগী থাদোকখিবনি।

পনবা য়াবদি হৌখিবা ২০০৭ কি ডিসেম্বরদা কেরলাগী ৱাগামোন্দা খুৎলায়গী ট্রেনিং কেম্প অমা পাঙ–থোকপগীদমক কেরলা পুলিসনা কেস অসি ষ্টুডেন্টস ইস্লামিক মুব–মেন্ট ওফ ইণ্ডিয়া, সিমিগী মেম্বর–শিংগী মথক্তা রেজিষ্টার তৌখিবনি।

মতুংদা কেস অসিগী থিগৎপগী থবক হৌখিবা ২০১০ গী জানু–ৱারীদা নেসনেল ইনবেষ্টিগেসন এজেন্সি, এনআইএদা শিন্নখিবনি।

এজেন্সি অসিনা কেস অসিগী অহানবা চার্জশিট ২০১১ দা থাগৎপগা লোয়ননা ২০১৩ অমসুং ২০১৫ দসু সপ্লিমেন্টরি চার্জশিট–শিং থাঙ্গৎখি।

অদুবু পূন্না মীওই ৩৮ গী মথক্তা চার্জশিট থাঙ্গৎখ্রবসু উত্তর প্রদেশতগী ৱাসিক বিল্লা কৌবা এক্যুজ অমা হৌজিকসু ফাবা ঙমদনা লৈবগা লোয়ননা মেহবুবু কৌবা মধ্য প্রদেশতগী এক্যুজ অমনা ২০১৬ তা ভোপালদা থোকখিবা নোংমৈ কা–প্পবগী থৌদোক অমদা শিখ্রে।

অব্দুস সুভন কুরেশি কৌবা মুম্বাইদগী অতোপ্পা এক্যুজ অমনা হন্দক ফাখিবতা ঙায়রি।

অমরোমদা মমাঙ চহীগী জা–নুৱারীদগী হৌখিবা কেস অসিগী ৱায়েল মনুংদা প্রোজিক্যুসন্না পূন্না শাখি ৭৭ পুথোকখি। –পিটিআই

## এনডিপিপি অমসুং এনপিএফকি মরক্তা হকথেংননা লম্বা তৌনরনি

কোহিমা, মে ১৫

লাক্লিবা মে ২৮ দা পাঙথোক্কদবা নাগালেণ্ডগী অমত্তা ঙায়রবা লোক সভা সিটকি মরক্কি মীখলদা রুলিং এনডিপিপি অমসুং ওপোজিসন এনপিএফকি মরক্তা হকথেংননা লম্বা তৌনরগনি হায়না রিটর্নিং ওফি–সার এম পত্তোননা ফোঙদোকখ্রে।

পত্তোননা হায়খি, মরক্কি মীখল অসিগীদমক নেসনেলিষ্ট ডেমো–ক্রেটিক প্রোগ্রেসিব পার্টি, এনডি–পিপিগী তোখেহো য়েপথোমি অমদি নাগা পীপল'স ফ্রন্ট, এনপিএফকি সি অপোক জমির খক্না মখোয়গী মীরেপ–চে পীশিল্লকখি।

ঙরাং মীরেপ–চে লৌথোকপা য়াবগী অরোইবা নুমিৎ ফাওবদা মখোয় অনীমক্না মখোয়গী মীরেপ–চে লৌথোক্রবনা লাক্লিবা মরক্কি মীখল অসিদা মখোয় অনীগী মরক্তা লম্বা তৌনরগনি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

পনবা য়াবদি ষ্টেটসিগী চীফ মিনিষ্টর ওইরবা নৈফিয়ু রিও লোক সভাগী মেম্বর ওইবদগী রিজাইন তৌখিবদগী ষ্টেটসিগী অমতা ঙায়রবা লোক সভা সিটকি মরক্কি মীখল অসি পাঙথোক্কদবনি।

রিও লোক সভাদগী রিজাইন তৌরবা মতুং ষ্টেটসিগী এসেমব্লী মীখল থেংনবদা নোরডর্ন অঙ্গামি–২ কন্সটিটুয়েন্সিদগী লম্বা য়াওদনা মায় পাকখিবনি। –পিটিআই

## পাকিষ্টানি আর্মিনা কাপশিল্লকপদা বিএসএফ জৱান শিরে

জম্মু, মে ১৫

সিজফয়ার থুগায়দুনা পাকিষ্টানি আর্মিনা জম্মু এণ্ড কাশ্মীরগী সম্বা ডিষ্ট্রিক্টকি ইন্টরনেসনেল বোর্ডর পরীংদা নোংমৈ কাপশিল্লকপদা চহী ২৮ লোম শুরবা বোর্ডর সেক্যুরিটি ফোর্সকি জৱান অমা শিখ্রে হায়না সেনিয়র বিএসএফ ওফিসিয়েল অমনা ঙসি ফোঙদোকখ্রে।

ওফিসিয়েলদুনা হায়খি, ঙরাং নুমিদাং পূং ১১.৩০ রোম তাবদা পাকিষ্টানি লান্মীশিংনা সম্বা ডিষ্ট্রিক্টকি মঙ্গুচক এরিয়াদা লৈবা ফোরৱার্ড পোষ্টশিংদা অকনবা মওংদা নোংমৈ কাপশিল্লকখি।

পাকিষ্টানি লান্মীশিংনা নোংমৈ কাপশিল্লকপদুদগী লৈবাকসিগী ঙমখৈ ঙাক–শেল্লিবা জৱানশিংনসু মতিক চানা পাউখুম পীবগা লোয়–ননা নাকল অনীগী মরক্তা পূং অমরোম চুপ্পা কাপ্নখি হায়না মহাক্না ফোঙদোক্লি।



মহাক্না হায়খি, ঙমখৈ ৱাংমদগী নোংমৈ কাপশিল্লকপদুদা কন্সটেবল দেবেন্দর সিংহ কৌবা বিএসএফ জৱান অমা শোকখি।

শোক্লবা জৱান অদু খুদক্তা হোস্পিটাল অমদা পুখৎখি, অদুবু লায়কন্নবা ঙমদনা শিখি হায়না ও–ফিসিয়েলদুনা ফোঙদোক্লি।

পনবা য়াবদি পাকিষ্টানি লান্মী–শিংনা সিজফয়ার থুগায়দুনা নোংমৈ অমসুং বোম–টোপ কাপশিল্লক–পগী থৌদোক ঙাইহাক লৈতনা থোক্লিবনি।

ওফিসিয়েলশিংগী মতুং ইন্না চৎলিবা চহীসিগী ওইনা পাকিষ্টান্না সিজফয়ার থুগায়দুনা জম্মু এণ্ড কাশ্মীরগী ইন্টরনেসনেল বোর্ডর অমসুং লাইন ওফ কন্ট্রোল পরীংদা নোংমৈ অমসুং বোমটোপ কাপ–শিল্লকপদা পূন্না মীওই ৩৩ শিখ্রে।

লৈখিদ্রবশিং অদুগী মনুংদা ১৭ না সেক্যুরিটিগী মীওইনি অমসুং ইমুং অমগী মঙা য়াওনা অতোপ্পা ১৬ না মীচম্নি হায়না ফোঙদোক্লদুনা ম–খোয়না হায়খি, সিজফয়ার থুগায়–দুনা নোংমৈ অমসুং বোম–টোপ কাপশিল্লকপদুদা মীচমশিংনা অয়াম্বা ওইবা অতোপ্পা মীওই ৮৫ হেনবসু অশোক অপন নংখ্রে।

চহীসি খক্তদা পাকিষ্টান্না সিজ–ফয়ার থুগায়রকপগী থৌদোক ৭০০ লোম থোকখ্রে হায়নসু ফোঙদো–ক্লদুনা ওফিসিয়েলশিংদুনা হায়খি, লাইন ওফ কন্ট্রোল পরীংদা নোংমৈ অমসুং বোম–টোপ কাপশিল্লকপগী থৌদোক লেপ্তনা থোক্লবসু ইন্টরনেসনেল বোর্ডর পরীংদদি হৌ–খিবা জানুৱারী ২২ দগী সিজফয়ার থুগায়রকপা লেপ্পলক্লবা মতুং ঙরাং নুমিদাংগী থৌদোক্তু থোকখিবনি। –পিটিআই

## বরানসিদা শাবগী থবক চথরিবা ফ্লাইওভর নীংখায়বদা ১৬ শিরে

বরানসি, মে ১৫



উত্তর প্রদেশকি বরানসি রেলৱে ষ্টেসন মনাক্তা শাবগী থবক চথরিবা ফ্লাইওভর অমগী শরুক অমা ঙসি নীংখায়রকপদগী য়ামদ্রবদা মীওই ১৬ শিখ্রে হায়না ওফিসিয়েলশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

নেসনেল ডিজাষ্টর রেস্পোন্স ফোর্স, এনডিআরএফকি ৱাঙাঙ–লোয় অমনা হায়খি, ফ্লাইওভর অদুগী অতেক–অকায় মরক্তগী হৌজিক ফাওবদা অশিবা হকচাং ১৬ ফংলে।

ফ্লাইওভরদুগী অতেক–অকায়–শিংগী মরক্তা হৌজিকসু অতোপ্পা মীওই কয়া অমা লৈরম্বা য়াই থাজরি হায়না ফোঙদোক্লদুনা ওফিসিয়েল–শিংনা হায়খি, হৌজিকসু মী কনবগী থবক মখা তানা চথরি।

ফ্লাইওভরদু নীংখায়রকপদুদা গাড়ী খরসু ননশিনখি হায়না ওফি–সিয়েলশিংদুনা ফোঙদোক্লি।

লক্ষ্ণৌদা সেনিয়র ওফিসিয়েল অমনা হায়খি, ঙসি লাইবক থীবা থৌদোক অমদা মীওই কয়া মীশি মীনা নংখিবদা চীফ মিনিষ্টর যোগী অদিত্যনাথনা থম্মোয় শোক্না নুং–ঙাইতবা ফোঙদোকখিবগা লোয়–ননা থৌদোক থোকফমদুদা ডিপুটি চীফ মিনিষ্টর কেশব প্রসাদ মৌর্য থাখ্রে।

থৌদোক অদুগী মতাংদা থিগৎ–নবগীদমক চীফ মিনিষ্টরনা মীওই অহুম্না শাবা কম্মিটি অমসুং শেম্লে হায়না ওফিসিয়েলদুনা ফোঙদোক্লি।

মহাক্না হায়খি, মী কনবা অমসুং তেংবাং পীবগী থবক থুজিন্নবসু চীফ মিনিষ্টরনা মরী লৈনবা ওফিসি–য়েলশিংদা খঙহনখ্রে।

মরকসিদা ঙসি ফ্লাইওভর নীং–খায়বদা মীওই কয়া মীশি–মীনা নংখিবদা ভাইস প্রসিডেন্ট এম ভেনকয়া নাইদু অমসুং প্রাইম মিনি–ষ্টর নরেন্দ্র মোদিনসু থম্মোয় শোক্না নুংঙাইতবা ফোঙদোকখ্রে।

পনবা য়াবদি বরানসি অসি প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী পর্লিয়া–মেন্টরি কন্সটিটুয়েন্সি ওইরিবনি। –পিটিআই

## ওড়িষাদা কাপ্নবগী থৌদোকশিংদা নুপী ২ য়াওনা মাওইষ্ট ৫ শিরে

ফুলবানি, মে ১৫

ওড়িষাগী কন্ধমাল ডিষ্ট্রিক্টতা থোক–খিবা সেক্যুরিটি ফোর্সশিংগা নোংমৈ কাপ্নবগী থৌদোকশিংদা নুপী অনী য়াওনা মাওইষ্ট মঙা শিখ্রে হায়না পুলিসনা ঙসি ফোঙদোকখ্রে।

কন্ধমালগী সুপরিন্টেণ্ডেন্ট ওফ পুলিস প্রতিক সিংহনা ফোঙ–দোকপা মতুং ইন্না ডিষ্ট্রিক্টসিগী গো–লাঙ্কি খুন্দা ঙরাং নুমিদাংৱাইরম থোকখিবা নোংমৈ কাপ্নবগী থৌ–দোক অমদা নুপী অনী য়াওনা মাওইষ্ট মরি শিখি।

সিংহনা পাউমীশিংদা হায়খি, মাওইষ্টশিং লৈরে হায়বা পাউ ফংবদগী স্পিসিয়েল ওপরেসন্স গ্রুপ অমসুং ডিষ্ট্রিক্ট ভলন্টরি ফোর্সনা মফমদুদা চথবা অপূনবা ওপরেসন অমগী মনুংদা নোংমৈ কাপ্নখিবগী থৌদোক অদু থোকখিবনি।

মহাক্না হায়খি, ডিষ্ট্রিক্টসিগী সুদু–কুম্পা উমংদা ঙসি সেক্যুরিটি ফোর্সশিংনা চথবা অতোপ্পা ওপ–রেসন অমগী মনুংদা থোকখিবা নোংমৈ কাপ্নবগী থৌদোক অমদসু মাওইষ্ট অমা শিখি।

লৈখিদ্রবা মাওইষ্টশিং অদুগী মনুংদা অমদি লঙ্কর মাঝি, ৩৭ কৌই হায়বা খঙলে হায়না ফোঙদোক্লদুনা এসপিনা হায়খি, মহাক লুপা লাক্ষ মঙাগী শেনগী মনা পুরিবা মীশক্লি।

ঙসি শিখিবদু য়াওনা অতোপ্পা মাওইষ্ট মরিদুগী মশক মমিংদি হৌ–জিকমক্কি ওইনা খঙবা ঙমদ্রি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

এসপিনা হায়খি, থৌদোক থোকফমশিংদুদগী সেক্যুরিটি ফোর্সশিংনা একে–৪৭ অমা য়াওনা রাইফল ১১, নোংমৈ মরূশিং অমসুং মাওইষ্টকি চে–চাংশিংসু ফংখি।

পনবা য়াবদি হৌখিবা নিংথৌ–কাবগী অঙনবদা ষ্টেটসিগী বলাঙ্গির ডিষ্ট্রিক্টতা থোকখিবা নোংমৈ কাপ্ন বগী থৌ–দোক অমদসু সঞ্জিব অমসুং রাকেশ কৌবা মথংশিংনা লুপা লাক্ষ মঙাগী অমসুং রাকেশনা লুপা লাক্ষ মরিগী শেনগী মনা পুরিবা মাওইষ্ট অনী শিখিবনি। –পিটিআই


PRUDENCE COACHING CENTRE
(BY THE BEST FACULTY OF DELHI, MUKHERJEE NAGAR)
Now in IMPHAL (Satellite Class)
For the first time at
Keisampat Leimajam Leikai, near Kangla Pao, Imphal West - 795001
The top emerging coaching institution in India, the dais for all competitive exams.. SSC (CGL, CPO, JE, AAO, CHSL, MTS) BANK(PO, CLERK, SPECIALIST OFFICER) RAILWAY, CDS, CAPF, ETC.
Class starts from 24th May 2018
SPECIAL BATCH SATELLITE CLASSES AVAILABLE FOR
English Special | Maths Special | Reasoning Special



Jaideep Sir
Mon to Wed
8.00am to 9.30am



Rakesh Yadav Sir
Mon to Sat
9.30am to 11.00am



Arun Kumar Sir
Thu to Sat
9am to 9.30am

Evening Batch- 5.00 pm to 7.00 pm / 7.00 pm to 9.00 pm
And G.S. Special by G.S. experts....
For Enquiry: #9612708955#7005610027#7703997053
TSE/333-16M



TSE/1176-15E
Admission Open
For Regular Degree Courses
For Academic Year (2018-19)
Hotel Management and Fashion Design
Eligibility : For Degree 10+2 (Any stream) for Diploma 10 pass & above
* Counselling & Seminar ( 10 AM Onwards)
-Ukhrul : 14th May 2018, 3 in 1 Hotel, Phungreitang
-Churachandpur : 15th May 2018, Evangelical Baptist Convention, New Lamka
-Imphal : 16th May 2018, MBC Centre Church, Simon Hall
-Senapati : 17th May 2018, Mao Poumai Catholic Hall, Near Post Office
100% Job Placement for HM
* Spot Admission: 11:00am-3:00pm
For further details contact PRAGMATAKI SOLUTIONS, IMPHAL - +91 7005113340
Contact HM: +91 7628866668
Contact FD: +91 9077735024



Ibemhal IAS
Knowledge with Wisdom
A LOW COST CIVIL SERVICE & GRADUATE - LEVEL EXAMINATIONS INSTITUTE
GENERAL FOUNDATION COURSE for SSC, Bank PO/Clerical (SBI, IBPS), CDS, CAPF, LIC, Manipur Govt jobs
CHINGMEIRONG: MORNING | 6.30am - 8.45am | Just Commenced
AFTERNOON | 3.00pm - 5.15pm | May 21st
6 Months | 132 Lectures | Mock test (Offline & Online) for 3 years
Lectures per Subject: Quantitative Apt. (55), English (30), Reasoning (25), Computer (6), Banking & Economy (6), Social Sc. & General Sc. (10)
BANKING - SBI (PO & CLERK)
THANGMEIBAND: AFTERNOON | 3.00pm - 5.30pm | May 7th
2 Months | 45 Lectures of 2 hrs 30 mins
SBI Clerk & SBI PO Test Series are held Every Sunday at CHINGMEIRONG Centre with Scholarships to Top 3 Aspirants.
TSE/224-17E+M
MATHS FOUNDATION COURSE
5 Months | 110 Lectures | AFTERNOON | 11am-1.15pm | Rotating Course
From Foundation to Advanced Techniques
CHINGMEIRONG: - By Maths Wizard Sir Sunanta
KEISHAMTHONG: - By Maths Wizard Sir Ramananda
THANGMEIBAND Centre: Lourung Purel Leikai
CHINGMEIRONG Centre: Khongnaang Ani Karak
KEISHAMTHONG Centre: Near Keishampat Junction
7629 049 230



Study MBBS 2018 (Sept/Oct)
in
CHINA, BANGLADESH
RUSSIA, KAZAKHSTAN
KYRGYZSTAN, UKRAINE
PHILIPPINES, ARMENIA
SOUTH AMERICA, BELARUS
* Scholarship available from 8 Lacs above
* Package starting from 10 Lacs to 26 Lacs
* Conditions Apply
NEET 2018 QUALIFIED CANDIDATES ONLY
100% SCHOLARSHIP in ENGINEERING, MANAGEMENT, PHD IN CHINA
B.TECH/M.TECH
BBA/MBA/ TOURISM & HOSPITALITY
AND OTHER COURSES
* Stipend 30000-45000 INR Monthly
* 100% Scholarship Available- on Tuition & Hostel Fee
FORTHWITH GLOBAL CONSULTING PVT. LTD.
CIN NO.: U80903MN2016PTC008455 (Under the Ministry of Corporate Affairs, Govt of India)
G-2, 3 Star Palace, Kekrupat, Opp. June 18 Crematorium, North AOC, Imphal-795001
For Registration Or Inquiry Call
9862283509 / 7005000427
TSE/D-9E+M



ꯊꯥꯒꯠꯄ / অশোক কুমারবু থাগৎচরি



ঐগী অনাবা 'Cervical Lumber Spondylosis' চহি অনি চুপ্পা নারকপা অসি ফহনবিরে। লায়না অসিনা মরম ওইরগা খুৎ য়েৎ থংবা চিকপা, য়াম্না লুম্বা ফাওবা, শজিং হৌবা অসিনচিংবনি। মসিগীদমক ঐনা Ashok Kumar Health Care Centre, Palace Compound, I/E (# 9612988625) বু হায়নিংঙাই লৈতনা থাগৎপা ফোঙদোকচরি। অশুক কুইনা, নারকপা ঐগী অনাবা অসি নুমিৎ ১৫ নিদা ফহনবিরে। Treatment অসি Natural Therapy নি। ঐগী অনৌবা পুন্সি অমা পীবিবা অসিগীদমক ঐনা থম্মোয় শেংনা অশোক কুমারবু থাগৎপা ফোঙদোকচরি। ঈশ্বরনা চানবিবা ওইরসনু, মীয়ামগী সেবা কুইনা শাংনা তৌবা ঙম্বা ওইবিয়ুকো।

Sd/- L. Budhi
Sagolband Tera Yengkhom Leikai.
TSE/1266–16



IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, IMPHAL WEST (CENTRAL)

Ref:- Mut. Case No. 655/SDC/IW(C)/10-5-2018.

1. Irom Jimmy Carter Singh S/o (L) Irom Bira Singh of Singjamei Chingamakha Irom Leikai.
2. Doti Irom D/o I. Jimmy Carter Singh of Singjamei Chingamakha. ......Petitioner

- Vrs -

(Late) Leitanthem (N) Irom (O) Pramodini Devi of Singjamei Chingamakha Irom Leikai. ......O.P.Party

NOTICE

Imphal, The 14-5-2018

Under the Section 46(3) of MLR & LR Act 1960 অসিগী মতুংইন্না খঙহল্লি মদুদি মৃঃ পাট্টাদার (L) Leitanthem (N) Irom (O) Pramodini Devi পীং (L) Bira Singh সাং Singjamei Chingamakha Irom Leikai গী মিংদা লৈবা ইঃওঃ তহসিলগী খুল নং 47-Chingamakha গী অনৌবা পাট্টা নং 32/590 অরিবা পাট্টা নং ...... দাগ নং 71/277 অমসুং এরিয়ানা .... (হেক্তর) চাওবা ইম্খোল অসি মথক্তা পীরিবা দংকারি ... অসিনা মাগী / মখোয়গী মমিংদা পানবিনবা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে, অদুনা ইম্খোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়ানিংদবা য়াওরবদি পাউ চে অসিনা ফোঙলবা মতুং নুমিৎ ৭ নিগী মনুংদা অইবা চেনা মথক্কী কোর্ট অসিদা ওবজেক্সন তৌগদবনি, মতুংদা লাকপা ওবজেক্সন লৌরোই কেস মখা চথরগনি।

Sd/- Sub-Deputy Collector
Imphal West (Central).
TSE/1273–16



ꯊꯥꯒꯠꯄ / অমাংথোংদা মরেং মরেং চৎলগা হাগৎচবা, অমাংথোংদা পোমথোক্লগা অমুক হঞ্জিনখিবা, খোং হাম্বা য়াদবা, খোং হাম্বা খুদিংগী ঈ দ্রোপ দ্রোপ তারকপা, মতম খরা লৈরগা খোং হাম্বা খুদিংগী শৌজা নাম্বা, পুক্তা গ্যাষ্টিক কাবা, পুকচেপ নাবা ফহনবগী ওজা জিয়াউলহকপু থাগৎচরি



ঐগী হকচাংদা নুংশঙনা অহানবা নারকপা মতমদা অমাংথোংদা মরেং মরেং চৎলগা হাগৎচরকপা, অদুগী মতুংদা খোং হাম্বা লিকপা, অমাংথোংদা মচা অমা পোমথোক্লগা লৈরকপা, পোমথোক্লগা লৈবা অদু অমুক হঞ্জিনখ্রগা নুমিৎ খরনিগী মতুংদা পোমথোরকপা, নোংমা খংহৌদনা পোমথোক্লগা লৈবা অদু খংচাউ চাউথোকরকপা, খোং হাম্বদা য়াম্না নাবা অমদি চাম্বদসু থুপ্পা অমদি নাবা, ফম্বা ঙমদবা, খোং হাম্বা য়াদবা, খোং হাল্লগসু অকনবা ওইনা হাল্লগা খোং হাম্বা খুদিংগী ঈ দ্রোপ দ্রোপ তারকপা হকচাংদা চোকথবা ৱাম্বা ঈ তাখিবা অদুনা মরম ওইদুনা মতম খরা লৈরগা খোং হাম্বা খুদিংগী শৌজা নাম্বা, পুক্তা গ্যাষ্টিক কারগা পুকচেপ নাবা, পুক থঙ্গৎলগা লৈবা চাবা থকপা য়াদবা, চাশিল্লগসু হকচাংদা মচি পোক্তবা খ্বাং নাবা, ঙকশম মরি নাবা তৌরম্বা অদু এমদি Md. Zia-ul-haque Phusam, #: 8414825323, 9774274439 দা চত্তুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপুগী থৌজালদগী মপুং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা জিয়াউলহকপু থাগৎচবা ফোঙদোকচরি।

লায়েংফম ঃ–

1. Kekru Villa North AOC, Opp. AMUCO, UCM Gate, Imphal (10am – 5pm)
2. Mayang Imphal Konchak Bazar (6 am to ...?)
3. Yairipok Bamon Leikai (Only Wednesday & Saturday open)

থাগৎচরিবা – O. Bishorjit Meitei
Moirang Bazar.
TSE/238–16